# ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেসন টিমনা পিএম উন্নখ্রে

## মণিপুরগী লমগী ইঞ্চি অমা ফাওবা য়ুমথংনবা লৈবাক্তা পীথোক্লোই থাজবা পীরকখ্রে

# ঙসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীফম কৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, ডিসেম্বর ৪ঃ* মণিপুরগী লমখৈ শোক্লা হৌজিক খারিবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিংগী মতাংদা ঙসি নুংথিল চিফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেসন টিমনা ঙসি নুংথিল প্রাইম মিনিষ্টর ডাঃ মনমোহন সিংহ অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর সুসিলকুমার সিন্দেগা তোঙান তোঙান্না উন্নদুনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর উন্নখিবা অদুগী মতাংদা মণিপুর ইনফোর্মেসন সেন্টর নিউ দিল্লিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না নুংথিল পুং ১২.২০ রোম তাবদা চিফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মীওই ২২ না শাবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎ কাংবু অদুনা সাউথ ব্লোক্তা লৈবা প্রাইম মিনিষ্টর ডাঃ মনমোহন সিংহগা উন্নদুনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিংগা মরী লৈননা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ৱারী শানখি।

উন্নবা অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎ কাংবু অদুদা মণিপুরগী লমখৈগী শরুক্তা বোর্ডর ফেন্সিং চথরিবা অসিদা ইন্দিয়াগী টেরিটোরিগী লমগী ইঞ্চি অমা ফাওবা য়ুমথংনরিবা লৈবাক্তা পীথোকপা তৌরোই হায়না থাজবা পীরকখি। লোয়নননা দেলিগেসন টিম অদুনা বোর্ডর ফেন্সিংগা মরী লৈননা পুখৎখিবা ৱারী কয়া প্রাইম মিনিষ্টরনা য়াম্না পুক্নিং চংনা তাবগা লোয়নননা হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্না হোম মিনিষ্টরগা ৱারী শাগনি হায়নসু খঙহল্লকখি। লোয়নননা দেলিগেসন টিম অদুদা হোম মিনিষ্টরগা উন্ননবসু খঙহল্লকখি। মখা তানা প্রাইম মিনিষ্টরনা হৌজিক চথরিবা বোর্ডর ফেন্সিংগী থবক অসি লেপ্পবা অমসুং লৈরিবা অরানবশিং অদু চুমথোক্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ইন্সত্রক্সন পীরগনি হায়নসু থাজবা পীরকখি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর উন্নরুরবা মতুং নুমিৎ য়ুংবা মতুং ১.১৫ রোম তাবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী নোর্থ ব্লোক্তা লৈবা মহাক্কী ওফিস চেম্বরদা হোম মিনিষ্টর সুসিলকুমার সিন্দেগা উন্নখি।

উন্নবা অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ইন্দো- ম্যান্মার বোর্ডর ফেন্সিংগী মতাংদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা হিরমসিগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিং য়াওনা অসাম রাইফলস, বি আর ও, গুগলস, সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎশিংগা পুন্না হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ইশু অসি সোল্ভ তৌননবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেসন টিম য়াওনা মীফম কৌখ্রে হায়রি।